# ব্রোইলর য়েনদা মচিঞ্জাক পীজবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ব্রোইলর মচিঞ্জাকসি ময়াম্না চানরিবা চেঙদগী হেন্না তাঙই। মরমদি মখোয়সি অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তা ওইবনা। ব্রোইলর মচিঞ্জাক শেন্দা মচল অয়াম্বা মফমসিদা মরাং কায়না ফংদবনিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপনা মমলদি ৱাংনা লৈ। ব্রোইলর লোয়বীরিবা খরগী ৱাখলদদি লেপ্তুনা মচিঞ্জাক হায়বদি মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক ৱাৎহন্দ্রগদি য়াম্না থুনা নোয়বা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক ৱাৎহন্দনা থম্মী। মসি খক তৌবীরোইদবনি। মসিনা লায়না কয়া লাকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ব্রোইলরদা পীজরিবা মচিঞ্জাকশিংসি মচিঞ্জাক্কী কম্পেনি খেন্নবগী মতুংইন্না প্রীষ্টাটর, ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপা য়াওই। মসি খরা অমদনা ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপসু য়াওই। য়েনগী মচিঞ্জাকসি অনী থোক্লা ফংই। অমনা মফোন ঙাক্তা অদুগা অমনা উচি মথি মানবা মতুম মতুম তাবা অমা। হায়রিবা মতুম তাবসি শেন্বা মতমদা মচিঞ্জাক্কী মচল খুদিংমক ফুৎতোল্লগা মেছিন্দা মতুম মতুম শেন্লকপনি। মসিনা চাশিনখ্রগা তুম্বগী চাং অমদি মহাও হেনগৎহল্লি। প্রীষ্টাটরদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ২৪-২৫ ফাওবনি অমদি মসিদা য়াওরিবা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০ কিলো কেলোরিনি। হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ২ ফাওবা পীজবীগনি। মথংগী মচিঞ্জাক হায়বদি ষ্টাটরসিনা হাপ্তা ৩দগী ৫ ফাওবা পীজবীগনি। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি ২২-২৩নি। অদুগা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০-২৯০০ কিলো কেলোরিনি। অরোইবদা পীজরিবা মচিঞ্জাক মখলসিনা ফিনিসর কৌই। মসি হাপ্তা ৫গী মতুংদগী য়োনদ্রিবা ফাওবা পীজবীবা য়ারে। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচিঞ্জাক্তা চাদা ১৯-২০নি অদুগা এনর্জিগীনা ২৯০০-৩০০০ কিলো কেলোরিনি।

কম্পেনি খরদনা মচিঞ্জাকসি মখল অনী থোকই। অহানবদা ষ্টাটর ফীদ, মসি য়েনাওনা পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ৪ ফাওবা অদুগা ফিনিসরনা হাপ্তা ৫দগী য়োন্দ্রিবা ফাওবা পীজবীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা মচিঞ্জাক মখল অমা পীজবা লোইরমদাই নুমিৎ ৩-৪নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মখল হায়বদি মথং পীজগদবা মচিঞ্জাক্তুগা য়ান্নবীরগা পীজবা হৌবীগনি। মসিগী মতুংদা কোন্না পীজগদবা মচিঞ্জাক্তুনা চাং হেন্না হাপ্তুনা পীজরগা তুংদা অকোনবদুনা মপূং ফানা পীজবীগনি। মসিনা চাবা তুমদবা হায়বদি দাইরিয়াগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মথক্তা পীজবগী মওংসি খুদম ওইনা হায়রবদা অহানবদা প্রীষ্টাটরদগী পীজবা হৌগনি। মসি নুমিৎ ২৪নি পীজগদবসিনা নুমিৎ ১০নি শুরকপদগী ষ্টাটর য়ানবীদুনা পীজবা হৌবীরক্কদবনি। অহানবদগী প্রীষ্টাটরগী চাং ৱাংলম্বদগী অসুম অসুম হন্থহন্দুনা ষ্টাটরগী চাং ৱাংহন্দুনা তুংদা ষ্টাটর ঙাক্তা পীজবীগনি। অচুম্বা ষ্টাটরদগী ফিনিসর ওন্থহনবদসু মথক্তা হায়জরিবা অসুম্না পীজবীগনি। মচিঞ্জাকসি অহানবদা পীজবা মতমদদি য়েনাও হেক পুরক্লগা মকোন্দা হাপ্পীরবা মতুংদা ইলেক্ট্রোলাইট পীথকপীরবা মতুং পুং ১ লৈরগা মচিঞ্জাকসি মকোন মথক্তা পাউচে/চে থাবীরগা মচিঞ্জাকসি চাইথোকপীগনি। মসিদা য়েনাওনা নীংথিনা চারবা মতুংদা অমুক অপাকপা পুখমগুম্বদা অমুক থন্বীরগা চাবা অমুক হৌহনবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্রদা হাপ্পগা হুমনি শুবদগী পীজবা হৌবা য়ারে। অহানবা নুমিৎ নীনিদি মচিঞ্জাক ৱাৎতনা পীজবীগনি। মসিদসু ঈশিং ৱাৎতনা থন্বীগনি। মচিঞ্জাকসি নোংমদা অহুম্লক থোক্লা পীজবীগনি। মচিঞ্জাক অনৌবা হাপ্পা খুদিংগী পাত্রদু শেংদোকপীরগা হাপ্পীগনি। অহানবদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক পীক থন্না হাপ্পীদুনা য়েনাওদা মচিঞ্জাক চাননবা এনকরেজ তৌবীগনি। মসিগী মতুংদা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা তঙ্খায়দগী হেন্না হাপ্পীরোইদবনি। হঙ্গৎনা য়েংলুবদা -

- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক পীক থন্না হাপ্লগদি চাদা ৩০দি মচিঞ্জাক মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা মচিঞ্জাক শরুক অহুম থোকপগী ২ থন্না হাপ্লগদি চাদ ১০ মাঙই।
- করিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদা শরুক অহুম থোকপগী অমা হাপ্লগদি চাদা ১ মাঙই।

য়েন চাউরকপগী মতুংইন্না অপিকপা পাত্রদা মচিঞ্জাক পীজরম্বদু অচৌবদা অমুক ওন্থোকপীরক্কনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা ঈশিংসু মতম পূম্বগী ওইনা ৱাৎতনা থন্বীগনি। ঈশিং অমদি মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রগী মওং মখাদা থমজরি।

মচিঞ্জাক .... ঈশিং .... মচিঞ্জাক
ঈশিং ... মচিঞ্জাক ... ঈশিং
য়েন মকোন্দা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং থন্বগী মওং।

য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না লৈরগা মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রদু য়ামদনা লৈবা থেংনৈ। মসি তৌবীরোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক থারকপা মতমদা য়েন অমগা অমগা মচিঞ্জাক মুন্নদুনা চানবা হোৎনবদা এনর্জিগী চাং য়াম্না হন্থে অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি। য়েন অমদা চঙগদবা মাগী চান্নবা মফমদু মখাদা পীজরি।

| চহী | চান্নবগী মফম/য়েন |
| --- | --- |
| ওনবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪শুবা | ২.৫ সী এম/২" |
| নুমিৎ ১৫দগী ৪২শুবা | ৪.৫/১.৭৫" |
| নুমৎি ৪৩দগী য়োনবা ফাওবা | ৭.৫/৩" |

মচিঞ্জাক হাপ্পগী পাত্র খুদিংমক ৱাংখৎনা থন্বীগনি। ৱাংখৎনা থন্লগদি মচিঞ্জাক চাবদা হেন্না চাবা ঙম্মী। ৱাইকুপ ময়াম অমা মচিঞ্জাক্তা তাশিনবগী চাং য়াম্না হন্থে। মচিঞ্জাক হাপ্পগী অৱাংবসি য়েনগী মনীংগী অৱাংবসিনা মচিঞ্জাক্কী পাত্রগী মথক্কী মপানগা ৱাংবা মান্নহননি।

য়েনাওনা চয়োল অনীশুবা ফাওবসিদা নীংথিনা পীজহৌবসিনা তুংদা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি।

মসিদসু নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চয়োল অনী ফাওবদা য়েনাও অমনা মচিঞ্জাক ৪৫০-৫০০ ফাওবা চাখ্রগদি মাগী লূম্বগী চাংসি ৩১৫-৩৯০ ফাওবা য়ৌই।

ব্রোইলর লূম্বগী মতুংইন্না পীজবগী চাং :

| চহী | লূম্বগী চাং (জি) | নুংতিগী পীজগদবা (জি) |
| --- | --- | --- |
| ১ | ১২০-১৩০ | ১৪-২১ |
| ২ | ৩১৫-৩৯০ | ৩২-৬০ |
| ৩ | ৫৪০-৭৩৫ | ৩০-৭৭ |
| ৪ | ৮২৫-১১০০ | ৩৭-৯৪ |
| ৫ | ১১৮৫-১৪৭৫ | ৯০-১১৫ |
| ৬ | ১৫৬০-১৮৮০ | ১০৫-১৩৫ |
| ৭ | ১৯২০-১২৯০ | ১১৭-১৫২ |
| ৮ | ২১৯০-২৪২৫ | ১৫০-১৭০ |

মচিঞ্জাক পীজবদা চেকশিনবীগদবা কাঙলোন খরা :

- য়েনাওশিং লুম্না থম্নবা হোৎনবদা মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মফম চানা থন্বীগদবনি। পীরিবা মৈশা মনাক নক্লা মচিঞ্জাক্কী পাত্রদু থন্বীরোইদবনি। লুমহনবা লোইরবা মতুংদদি মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক নুমিৎকী মৈশা ফংবা মফমদা থন্বীগদবনি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মচিঞ্জাক হাঙহন্না থন্বীরোইদবনি। করিগুম্বা হাঙলবা তারগদি য়েন থন্লিবা ৱাইশিং অদু খোৎলগা চাবা হৌরক্কনি। য়েন অমগা অমগা চিক্লবগী চাংসু ৱাংহল্লি। মসিনা লায়না পোক্লক্তুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।
- মচিঞ্জাক্কী পাত্র মশীং হন্থনা থন্বীরগদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নদুনা চাবা ৱাৎপা অমদি মচিঞ্জাক লৈমায়দা হৈদোকপা অসি য়াম্না তোয়না থোকই। মরম অসিনা য়েন মশীংগী মতুংইন্না পীজ পীথকপগী পাত্র থন্বীগদবনি।
- অরিবা মচিঞ্জাক পীজবীরোইদবনি। করিগুম্বদা মতুম তাশিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা কোকফাই শুজা কাবা থেংনরগদি হায়রিবা মচিঞ্জাকসি পীজবীরোইদবনি।
- য়েনগী মচিঞ্জাকশিং মফোনগী শরুক্লা য়াম্না হেনহল্লোইদবনি। মরমদি মচিঞ্জাক চাবা মতমদা মচিন্দা নৎত্রগা খৌনাওদা নপ্পা থোকখ্রগদি মচিঞ্জাক চাবা ৱাৎলি। মসিনা লূম্বগী চাং হন্থহল্লি।
- য়েন মচিঞ্জাক হাপ্পা মতমদা করিগুম্বা লেম্বা তারগদি লেল্লিবা মচিঞ্জাক্তু অনৌবা মচিঞ্জাক্কা তোৎশিন্নরগা পীজবীগনি।

য়েন লোয়বা মতমদা মচিঞ্জাক্লা হেন্না চঙবা মরম্না ঐখোয়না পীজবা মতমদা হেন্না চেকশিন্না পীজবীগনি। বন্দ/ব্লোকেদ তৌবা মতমদা য়েন মচিঞ্জাক্কী মমলসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা য়েন লোয়রিবা কাঙবুশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা য়েন লোয়বদা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্লা অৱাবা কয়াসি মায়োক্লবগা লোয়ননা য়েন লোয়বদা শেন্দোং ফংনা লোয়বা ঙমহন্দে। অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি য়েন লোয়নীংবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা য়েন লোয়বীরিবা কাঙবুশিংবু য়োকখৎমিন্নসি। ●

# বিজ্ঞানগী পান্বৈনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনসি

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মরু ওইনা য়োক্লরিবা ঙাসি মীয়াম্না কার্প (Carp) হায়রগা খঙনবা ঙা মখলশিং অসিনি। কার্প হায়রিবা ঙা মখলশিং অসিদসু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা হান্নদগী লৈরক্লবা কার্প হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগল অসিনচিংবা মখলশিং য়াওরি। অদুগা মপান লমশিংদগী পুশিল্লকপা কার্প হায়রগনা নাপীচাবী, পুকলাওবী অমদি সিলভরনচিংবা ঙাশিং য়াওরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা অমনা অমদা অকায়বা পীনদে অমদি পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা চাবা ঙা, ময়ায় থংবা শরুক্তা চাবা অমদি পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙাশিং য়াওবা মরম্না পুখ্রিগী মফম খুদিংমক শীজিন্নদুনা য়াম্না কান্নবা পী। করিগুম্বা পুখ্রি অমদা মথক্তা চাবা ঙা খক্তমক য়োক্লবদি পুখ্রিগী ময়ায় থংবা অমদি মখা থংবা শরুক্তা অরেম্বদা মাঙদুনা লৈ। মফমশিং অসিদা ফংলিবা ঙাগী মচিঞ্জাকশিং অরেম্বদা মাঙই। মরম অদুনা ঙা য়োকপা মতমদা মথক্তা চাবা ঙা, ময়ায় থংবদা চাবা ঙা অমদি মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙা মখল শুনা য়োকপীগদবনি। তৌইগুম্বসুং চানবা চাংদা হায়বদি মথক থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা ৩০, ময়ায় থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা ৩০ অদুগা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা ৪০ ওইহনগদবনি।

মতাং অসিদা খঙবীগদবা অমনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা হান্নদগী লৈরক্লবা ঙাশিং হায়বদি কটলা অসি পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। রৌ হায়রিবা ঙা অসিনা পুখ্রিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙানি অমদি ম্রিগল অসিনা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্লবদি পুখ্রিগী মফম খুদিংমক ফজনা শীজিন্নরগনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি অঙৈংবা মতমদা চাওজল থিনগনি অমদি লায়না তীলনা কয়া নারকপগী খুদোংচাদবা থেংনগনি। মরম অদুনা মপান দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং হায়বদি সিলভর কার্প হায়রিবা ঙা অসিসু পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা চাবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। গ্রাস কার্প হায়রিবা ঙা মখল অসি পুখ্রিগী ময়াই থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি অমদি পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসিনা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা মখল তরুক অসি অমনা অমদা অকায়বা পীনদে অমদি সিলভর কার্পকা কটলাগা মচিঞ্জাক মান্নদে, রৌগা নাপীচাবীগসু মচিঞ্জাক মান্নদে। অসুম্না ম্রিগলগা পুকলাওবীগসু মচিঞ্জাক মান্নদে। মরমশিং অসি লৈবনা মথক্তা পনখ্রিবা ঙাশিং অসি পুখ্রি অমদা পূন্না য়োকমিন্নবদা অসুক্কী মতিক কান্নে। ঙা য়োকপা মতমদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবা থৌওংশিংগী মতুংইন্না য়োক্কদৌরিবা ঙাগী মশীংসু খেন্নৈ। তৌইগুম্বসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা পরি অমা চাওবা পুখ্রি অমদা য়োক্কদবা ঙাগী মশীংসি চাওরাক্লা লিশীং তরানি। হায়রিবা মশীং অসি ময়াম্না হৌজিক হৌজিক য়োক্লরিবা ঙা য়োকপগী মওং অসিগী মতুং ইন্ননি। ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগদবনি।

১) মফম খনবা : ফোলি ওইবা লৈবাক অমদি লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। চহী চূপ্পা ঈশিং ফংবা মফম অমদি মিটর অনীদগী হেন্না লুদবা পুখ্রি ওইগদবনি।

২) পুখ্রি শেন্বা : ক) পুখ্রিশিংদুগী অকোয়বদা লৈপন থোনগৎতুনা শেমগদবনি।

খ) পুখ্রি মনুংদা ফত্ত-হৌদিগী মরোল থানা লৈহল্লোইদবনি।

গ) পুখ্রি অদু নুংশা নিংথিনা ফংহনগদবনি।

ঘ) ঈশিংদা হৌবা নাপীশিং শেংদোকপীগদবনি।

ঙ) হান্না লৈরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, পোরোমনচিংবা লৈহল্লোইদবনি। মসিগীদমক ঈশিং কংহনবা নৎত্রগা ব্লেচিং পাওদর কিলোগ্রাম ৩৫০ পরি অমদা শীজিন্নবা য়াই।

৩) শুনু চাইবা : শুনু কিলোগ্রাম ২০০-৩০০ চহী অমদা পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা চাইবীগদবনি।

৪) হার চাইবা : ক) শুনু চাইরবা মতুং নুমিৎ ৭-৮নি লৈরগা হার চাইবগী/হাপ্পগী থবক তৌবা য়ারে।

খ) মতম খরা খরা কান্নরগা পূন্না পরিগী চাংদা ষষ্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০-১৫,০০০; য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫০; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৩৫০ চহী অমদা হাপ্পীগনি।

গ) মথক্কী অপূনবা হারগী শরুক অমদি ঙা থাদগদবা নুমিৎ ৭নি ৱাৎলিঙৈদা হাপ্পগদবনি।

ঘ) লেমহৌরিবা হারশিং অদু চয়োল অমা নৎত্রগা অনী কান্ননা চাং মান্ননা হাপকদবনি।

৫) ঙা মচা পুখ্রিদা থাদবা : ক) ঙা মচাশিং থাদদ্রিঙৈদা পুখ্রি অদুগী ঈশিংগী অফ-ফত্ত য়েংহৌগদবনি। মসি য়েংনবগী অরাইবা থৌওংদি পাত্র অমদা পুখ্রিদুগী ঈশিং খরা হাপ্লগা ঙা মচা খরা পুং ২৪ চূপ্পা থমগদবনি, মদুদা ঙানা মশা ফনা হিংবা ঙম্লবদি পুখ্রিদুদা ঙা মচাশিং থাদবা য়ারে।

খ) ঙা থাদবা মতমদি অয়ূক নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম ওইগদবনি। নুংশা শাবা, অকনবা নুংশিৎ শিৎপা মতমদা থাদরোইদবনি।

গ) ঙা থাদদ্রিঙৈদা, ঙা মচা পুরিবা পাত্র/চেরং খাও অদুগী ঈশিংগা ঙা থাদগদৌরিবা পুক্রি অদুগী ঈশিংগা অঙৈং অশাগী চাং মান্ননবা, ঙা মচা পুরিবা পাত্র অদু পুখ্রিদুদা মিনট ১০-২০ তাওহন্দুনা থন্বীগদবনি।

৬) ঙাগী মচিঞ্জাক থাবা : পুখ্রি অদুদা লৈরিবা অপূনবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা অহুম নোংমগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজগদবনি।

৭) ঙা ফাবা : খুদোংচাবগী মতুংইন্না ঙাশিংদু থা ১০দগী চহী ১গী মনুংদা ফাবা য়াই। চাং নাইনা অচৌবা ঙাশিং ফাদোক্তুনা অতৈ অপীকপা ঙাশিংদু চাওখৎহন্নবগী মফম ফংহনগদবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি শীজিন্নদুনা ঙাগী ঙায়োক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা খরদি শুনু হাপ্পগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি, ফত্ত-হৌদি মৈ থারবা মতুংদা লেমহৌবা উৎ ওইনা হাপ্পসু য়াই। তৌবতবু উৎ শীজিন্নবীবা তারবদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শুনুগী চাংদগী শরুক অহুমলোম শীজিন্নগদবনি। অফবা মখলগী ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা জয়েন্তি রোহু, অমুর কার্পনচিংবা ঙাশিং ওইনা য়োকপীগদবনি। গ্রাস কার্প য়োকপনা ম্রিগল অমদি কমন কার্পকী অহেনবা মচিঞ্জাক পী হায়বসি অহেনবা কান্নবা পীদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহল্লি। পুখ্রিদা উশা-ৱাশা থাদবা নৎত্রগা য়ুংবীবনা ঙাগী চাওবগী চাং চাদা ১৫ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। নাপী চাবী য়োকপদা ম্রিগল অমদি পুকলাওবীগী অহেনবা মচিঞ্জাক পীদুনা য়াম্না কান্নবা পী।

ঙা য়োকপগী শিনফমদা নুপামচাখক্তা নত্তনা নুপীশিংসু য়াওশিনবীদুনা অমদি ঙামীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকপদা নুপীশিংসু শরুক য়াবীদুনা লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# কালেন খোইবা অমসুং মসিনা পীরিবা কান্নবশিং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

মপূং ওইবা লৌরোক লোকখ্রবা মতুংদা হাঙদুনা লৈবা নৎত্রগা খোইদনা নিংথম মহৈ মরোং থাখিবা লৌফমশিংদা ফাইরেন লমতা মতমদা তাবা পারপ তৌবা নোংজুনা লৈবাক থোৎতোকহল্লবদা লৈবাক অদু লৈচঙ লৈনা মথক মখা ওন্থোক্তুনা ফৌ থারুবগী ফমজিল্লবা লৈবাকশিংবু হোম হোম লাওনবা খোইদোকপগী থৌওংবু কালেন খোইবা কৌই। থৌওং অসিনা লৈবাকশিং অদুবু কালেনগী শারবা নুংশাদা য়ৈহন্দুনা ঐখোয়দা কান্নবা কয়া অমা পীহল্লি।

১) মতম চানা, মওং চুম্না লৌফমশিংবু খোইদোকপা অসিনা পান্বীগী মরানা মনীং তম্না চৎচবা য়ানবা লৈবাকশিং অদু হোম হোম লাওহল্লি।

২) মতম, তাঞ্জা অসিদা খোইদোকপা অসিনা লৈতুমশিং অদু নুংশানা অমুক য়ৈ, লিক্লা অমুক চাহন/কুমগী নোং মমাঙগী নোংনা অমুক চোৎহন তৌদুনা লৈবাকশিং অদু কেমহল্লি অমদি মথন্তা ফ্রোং ফ্রোং কায়রক্তুনা লৈবাকশিং অদু মওং চুম্বা লৈকুপ ওইহন্দুনা পোখোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

৩) কালেন খোইদোক্লবা লৌফমশিংনা কুমগী নোং মমাঙগী নোংগী ঈশিংশিং লৌফম অদুদা য়াম্না ফাজিন্দুনা থম্বদা মতেং পাংদুনা লৌফম অদু কুমগী নোং হেক লাকপগা পোৎ থাবা য়াবা মফম ওইহল্লি।

৪) য়ৈশিন্দুনা লৈরম্বা লৌফমশিং অদু খোইদোক্তুনা হোম হোম লাওহনবা অসিনা লৈনুংদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহন্দুনা লৈবাক মনুংদা লৈবা হিংকুপ (মাইক্রোওর্গানিজম) শিংগী মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংদুনা লৌফম অদু মশা ফবা লৌফম ওইহল্লকই।

৫) কালেন খোইবনা লৌফম অদুদা লৈরিবা চরূখোক অমদি অতৈ লেমহৌখাকশিং লৈনুংদা ফুমজিনহন্দুনা য়াঙনা পথবদা মতেং পাংই অমদি লৌফম অদুগী য়াওগদবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং হেনগৎহন্দুনা পোৎথোক হেনগৎহল্লি।

৬) কালেন খোইবসিনা শাথীবা নাপী মখল খরবু নুংশাগী মৈশাদা য়ৈহন্দুনা হাৎপদা অচৌবা মতেং পাংই।

৭) কালেন খোইদোক্তুনা লৈবাক মথক মখা ওন্থোকপসিনা লায়না অমদি তীলনা থোকহনগদবা মহীক মতাইশিং নুশাগী মৈশানা হাৎহন্দুনা লৌফম অদু লায়না তীলনা থোকহনবগী চাং নেমথহল্লি।

৮) লৈবাক মনুংদা লোৎতুনা লৈবা তীল অমদি মরূমশিং মথক্তা পুখৎলক্তুনা মখোয়গী য়েক্লবা উচেক ৱায়াশিংদা চাহন্দুনা তীল তাবগী চাং হন্থহল্লি।

৯) কালেন খোইদোকপা অসিনা লৌফম অদুদা লৈরম্বা মমাঙগী পান্বীশিংদা শীজিন্নখিবা তীলহাৎ হীদাক অমদি নাপী হীদাক্কী লেমহৌখাকশিং লোয়ন-লোয়ননা লৌফম অদুদা হৌরিবা পান্বী অমদি নাপীগী মরূ-মরাশিংনা পুথোকপা অতোপ্পা পান্বীশিংদা হু ওইহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং থুনা মাঙহনবদা অচৌবা মতেং ওই।

১০) কালেন খোইবা লৌফম্না নোংগী ঈশিং য়াম্না ফাজিনবা ঙম্বনা মরম ওইদুনা নোংগী ঈশিংদা য়াওরকপা নাইট্রেট, নাইট্রোজেনশিং লৈবাক লৈরিকশিংনা য়াম্না ফাজিন্দুনা লৌফম অদুগী লৈহাও হেনগৎহল্লি।

১১) নোংগী ঈশিং ঈচেলনা লৈমায়গী মথক থংবা লৈহাও লৈবা লৈবাকশিং চেন্থখিগদবদু কালেন খোইখিবগী য়োৎলমশিংনা ঈচেল থৎতুনা ঈশিংশিং থুনা চুপশিন্দুনা লৌফম অদুগী লৈহাও মাঙখিগদবদগী কনবা ঙমই।

কালেন খোইবগী লৈচঙ অসি কয়াম লুনা খোইগদবগে হায়বসি লৌফম অদুদা লৈরিবা নাপীগী মরূ মরা অদু কয়াম লুনা লৈবগে হায়বগী মখা পোনবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ লুনা সেন্টিমিটর ৩০-৫০ ফাওবগী মনুংদা লুনা খোইনবা হোৎনবীগদবনি। অসুম্না তৌবা অসিনা লৈমায়গী অথেনবা শরুক্তা য়াম্না কনবা ঈশিং ফাওবা চুপথবা ঙমদবা লৈরোল অমা করিগুম্বা মতমদা লৌফমশিংদা শেন্লকপা য়াওবদু থিংবদা অচৌবা মতেং পাংই। অসিগুম্বা অকনবা লৈরোন অসিবু ঐখোয়না Hand Pan হায়রগা খঙনবগা লোয়ননা মসিনা লৌউ-শিংউবগী পোখোক চাথোক হন্থহন্দুনা লৌমীশিংদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লহল্লি। কুমগী নোং লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা নুমিৎ ১৫-২০ গুম্বা কান্নরগা লৌফমদু লৈচঙ লৈনা কালেন লৌখোই অনীরক্কুম্বা খোইবিহৌবনা লৌফম অদুগী পোখোক চাথোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী খল ঙাক্তুনা থমদুনা মতম শাংনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইবদা অচৌবা মতেং পাংই।

অহেনবা পোখোক পুথোক্তুনা লিশাং শিৎনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়ানবা মতম চানা, মওং চুম্না কালেন খোইবিদুনা ফংবা য়াবা কান্নবা খুদিংমক লৌবীনবা হোৎনবীগদবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।